পেরিস ওলিম্পিক্সকীদমক শরথ কমলবু ফ্লেগ বিয়রর অদুগা মেরি কোমবু চেফ দে মিসন ওইনা খনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২১ (এজেন্সী):

ভেটরান টেবল টেন্নিস শান্নরোয়সু ওইরিবা কমনৱেল্থ গেমস চেম্পিয়ন শরথ কমলনা পেরিস ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৪দা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ বিয়রর ওইরগনি অদুগা মমিং লৈরবী বোক্সর এম সী মেরি কোমবুনা লৈবাক অসিগী কন্টিঞ্জেন্টকী চেফ দে মিসন ওইনা ঙসি এপোইন্ট তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৪১ রোম শুরবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয় অসিনা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টশিংদা অচৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমগনি হায়না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী লন্দন ওলিম্পিক্স ২০১২গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মেরি কোমনা লৈবাক অসিগী শান্ন-খোৎনবগী লম্দা লৌরিবা থৌদাং অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা চেফ দে মিসন ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ফ্লেগ বিয়রর ওইগদৌরিবা শরথ কমলনা ফোঙদোকখিবদা, পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪দা মহাকপু লৈবাক অসিগী ফ্লেগ বিয়রর ওইনা খল্লকখিবা অদু তশেংনমক নুংঙাইবা পোকই অমদি মহাক্কী মশাদা থাজদবা অমসু ওইরি। ওলিম্পিক্সকী ফ্লেগ বিয়রর ওইনা খল্লকখিবা অসি মহাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমদি মঙোন্দা উৎপা ইকাই খুম্নবনি হায়না লৌই। মহাকপু ফ্লেগ বিয়রর ওইনা খল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয় কয়াসু শোয়দনমক্কী চাওথোকপা ফাওরমগনি। আই ও এদগী ঐঙোন দা কোল তৌরক্তুনা ফ্লেগ বিয়রর ওইনবা খঙহল্লকখিবনি। অদুবু হৌজিকসু মহাক থাজবা ঙমদ্রি হায়খি।

কুমজা ২০২২দা বর্মিংহমদা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসকী ক্লোজিং সেরেমোনিদা কমল ইন্দিয়াগী ফ্লেগ বিয়রর ওইখি। কমনৱেল্থ গেমসতা মহাক্না গোল্ড মেদল ৩ লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইখ্রবী মেরি কোম শিব কেসাবননা পেরিস ওলিম্পিক্সতা এসিষ্ট তৌনবগীদমক মহাকপু দেপ্যুটি চেফ দে মিসন ওইনা খনখ্রে। আই ও এগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয় খুদিংমক্না মেরি কোমবু তমজনফম ওইরিবনি। মহাকপু ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টকী চেফ দে মিসন ওইনা এপোইন্ট তৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক্সতা শরুক যাগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদা শোয়দনমক্কী অনৌবা থৌনা অমা পীবা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়রি।

অশোকপা অমনা মরম ওইরগা থা ৬ লোম নেসনল টিমদগী লাপথোক্লা লৈরুরবা জিক্সন অমুক হল্লকখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২১ (এজেন্সী):

মশাগী অশোকপা অমনা মরম ওইরগা থা ৬ লোম ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমদগী লাপথোক্তুনা লৈরুরবা মিদফিল্ডর জিক্সন থৌনাওজম নেসনল টিমদা অমুক হল্লকখ্রে। মহাক্লা নেসনল টিমদা হল্লকপদা ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ইগোর ষ্টিমাকনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা মিদফিল্ডর অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মেটচ অমদা লেংজুমদা শোকপদগী মমাং চহীগী ওক্টোবর থাদগী সর্জরিগীদমক পোথাদুনা লাকখিবনি। জিক্সননা ইন্দিয়াগী নুপা নেসনল টিমগীদমক মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০২২গী জুন থাদা পাঙথোকখিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র্সতসু জিক্সননা থংন-থংননা মেটচ ১৭ শান্নখি। মমাং চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা কিংস কপতসু জিক্সননা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। ইন্দিয়া টিমদা মহাক্কুম্বা মিদফিল্ডর অমত্তা ঙসি ফাওবদা য়াওদ্রি হায়না কোচ ইগোর ষ্টিমাকনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এ এফ সী এসিয়ন কপ কটার ২০২৩দা জিক্সন য়াওবা ঙমখিদবা অদু ইন্দিয়াগী স্কৱাদকী ওইনদি খ্বাইদগী মাঙজবা অমনি হায়নসু ইগোরনা মাংজৌননা ফোঙদোকখিবা লৈরবনি।

থা ৬ লোম পোথারুরবা মতুং জিক্সন চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা অমুক শান্নবা হৌরকখিবনি। কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মরুওইবা শান্নরোয় অমসু ওইরিবা জিক্সননা আই এস এলগী ওইনা মমাং থাদগী হৌজিক ফাওবদা মেটচ ৫ শান্নখ্রে।

অমরোমদা, নেসনল টিমদা অমুক হল্লকখ্রবা মতুং জিক্সননা ফোঙদোকখিবদা, মতম শাংনা টিম অসিদগী লাপথোক্লুরবা মতুং অমুক হল্লকপদা মহাক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। লাক্কদৌরিবা ফুটবোল মেটচ অনীদা মহাক্লা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। সাউদি অরাবিয়াদা অফঘানিষ্টানগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা মহাক্কী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উখোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। অফঘানিষ্টানবু মায়থীবা পীনবগীদমক ঐখোয়গী টিমনা মপূং ফানা শেম শারে হায়বসি খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, মতম খরা মহাক্লা শোকপদগী পোথাদুনা লৈরিঙৈ মতমদা নেসনল টিম অমদি মহাক্কী ক্লবকী মীহুৎশিংনা ৱাখল্লোন থৌগৎপীদুনা হোৎনরকখিবা কয়া অদুনা মরম ওইরগা মহাক ঙসি মপূং ফানা ফগৎলক্লে অমদি লাক্কদৌরিবা মেটচ খূদিংমক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

ধোনি সী এস কেগী কেপ্টেন ওইবদগী পোথাখ্রে, রুতুরাজনা কেপ্টেন ওইরগনি

পুনে, মার্চ ২১ (এজেন্সী):

মতম শাংনা চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্টেন ওইদুনা লাকখ্রবা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি সী এস কেগী কেপ্টেন ওইবদগী পোথাখ্রে। মরম অদুনা আই পি এল ২০২৪গী ওইনা সী এস কেগী টিম রুতুরাজ গাইক্কাদনা ওইরগনি।

সী এস কেগী কেপ্টেন ওইগদৌরিবা গাইক্কাদ হৌজিক ফাওবগী ওইনা আই পি এলগী সী এস কেগী শান্নরোয় অমা ওইনা মেটচ ৫২ শান্নখ্রে। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১৯দগী আই পি এলদা শরুক যাবা হৌরকখিবনি।

মহারাষ্ট্রগী বেট্টর অসিনা মেটচ ৫২ শান্নখিবদা পূন্না রন ১,৭৯৭ লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্কী এভেরেজ ষ্ট্রাইক রেট অসি ১৩৫.৫২ ওইরি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবা ধোনি কুমজা ২০০৮দগী হৌরগা সী এস কেগী কেপ্টেন ওইদুনা লাকখিবনি। মহাক্লা আই পি এল মেটচ ২১২দা সী এস কে লুচিংখি। মদুগী মনুংদা মেটচ ১২৮ মায় পাকখি অদুগা ৮২না মায়থীখি। ধোনিনা সী এস কেবু আই পি এলগী ৱিন্নর ৫রক ওইহনবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, মহেন্দ্র সিংহ ধোনি হৌখিবা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ১৫দগী ইন্টরনেসনল মেটচশিংদগী পোথারে হায়না লাউথোকখিবনি। ধোনিনা ইন্দিয়াবু মায় পাকপগী লন্বীদা কয়ারক হন্না পুশিনবা ঙমখি।

নোংনা মরম ওইরগা মেটচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):

ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা)না শীন্দুনা মোইরাংগী চেংঙেল লম্পাক্তা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা অহানবা সী এম অমসুং ১৪রক শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ঙসি ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং ৱাই এস দল্লিয়ু এ অমদি অমোফা অমসুং এফ সী রেংদাইগী মরক্তা মেটচশিং শান্নগনি হায়না তৌরমখিবা অদু নোংগী ফীভম্না মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে। টুর্নামেন্ট অসিগী রিভাইস ফিকচর অথুবা মতমদা শরুক যারিবা টিমশিংদা খঙহল্লক্কবা হোৎনরি হায়না চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী কনভিনর ঐচ শোতোজিৎনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মেটচ ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):

১৬লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৩-২৪ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মেটচ ওফিসলশিং এপোইন্ট তৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না মেটচ ওফিসলশিং ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিংদি মেটচ কমিস্নরশিংদা এস জেমসকুমার, থারচুংচারা, এস রামেশ্বর অমসুং টি ঐচ দিনেশ্বরনি। রেফরিজ এসেসর ওইনা পি ঐচ লম্ভোইবা, এম মাঘো অমসুং এল তরুন এপোইন্ট তৌখ্রে। অদুগা রেফরি ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিংনা সী ঐচ সেমসন, টি ঐচ অরুনকুমার, জয়সিং মোন্সাং, ঐচ এটলি, টি রঞ্জিতা, আর কে অঙৌসনা, কে ঐচ ইবুংঙো, টি হেমন্তা, এস তোম্বী, ৱাই হেমন্তা, অজিৎকুমার কাংজম, য়ুলুং লুংসু অমসুং ব্রোজেন কৈশামনি। অদুগা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিংনা টি ঐচ পর্সুরাম, তেলেন কোম, রোজিৎ, রোবিনসন সৌবাম, সনাতোম্বা (থৌবাল), লাটিফ অলি, অনুস খান, সিৱেব এম দি, নিংনিহরিং অনাল, অমজিৎ নিংঙোম্বম, হরিমোহোন, শাফবা অমসুং রিগাল ময়েংবমনি। মেটচ ওফিসলশিং ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিংনা এস জেমসকুমার, কনভিনর, আর সী, অম্ফাদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না অম্ফাগী চেরোলসিনা মখা তারি।

স্কাউট মেম্বর ৪ এপোইন্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচ এন এস):

অসামগী তেজপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থইষ্ট ৱিমেন ইনভিটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী সিনিয়র ৱিমেন ফুটবোল টিম শেম্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়লগীদমক স্কাউট মেম্বর ৪ এপোইন্ট তৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এস জিতেন মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, স্কাউট মেম্বর ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবশিং অদুদি টি ঐচ ইবোতোম্বী, এস প্রেমকান্ত, এস মনিরতন অমসুং ঈ রোবর্টসননি। মখোয় মরি হয়েং অয়ুক পুং ৭.৪৫ তাবা মতমদা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা লাক্কদবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

কুকিগী লানসি খল্লুবদা বুধি মন্মী

(৪৭৮)

মণিপুরগী ইস্যু অসি অঙকপা অমা ওইরিবা অসিদা মীচম মীয়াম্না, সী এস ও কয়ানা লাউ খোংবা, ইমা-ইবেল কয়ানা মৈরা পায়দুনা লম্বীদা থোক্তুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিন্নবা হোৎনবা ময়াম, লৈকাই-লৈকাইদা মৈরা শঙ শাদুনা ইমা-ইবেল কয়া অহিং নোংয়াই থিদনা অকিবা য়াওদনা য়ারেকপা অসি থা ১০ হেল্লবনি। মতম অসুক কুইবা অসি লান লোইশিনবগী ৱাখল পুথোক্তুনা থরায় য়াওবগী শক্লোন লুচিংবা কয়ানা লৌবগী মমি তারক্রি। অদুবু লোক সভাগী সীট ২গী মীখলনা থোঙদা থিল্লরবা মতম অসিদদি লুচিংবা কয়া মরাং হৌদুনা খোইরেন মশা পাইরে। মাইবী চঙবা নুপীনা পুঙখোল তাবদা লাই তোংলকপগুম মাগী-মাগী পার্টি কন্নবা অচৌবা ঈরাং হৌবা হৌরক্লে। মীয়াম অৱা-অনা তারিবা অসিগীদি মমাং চহীগী মে ৩ দগী ঙসি ফাওবা করিসু তৌবা ঙমদনা লৈরকপনা মীওই কয়ানা মরোমদোম ঙাকচবা নৎতনা পাম্বৈ লৈতনা খাঙলি অদুগা তুংদসু খাঙবা তাবনি। লান অসি পাক্লা লোইররোই হায়বা মীয়াম্না খঙই। মসিদা মীয়াম করি তৌবা তাই হায়বসি মুন্না খনবা মতম অদু য়ৌরব্রা হায়বসিনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অতম্না মণিপুর ৱানবা থওইনা সিফাই লিশিং ৭০ হেনবা থাজিন্দুনা কুকিবু ঙাক শেন্দুনা থমহল্লি। মণিপুরগী তম্পাক্কী ষ্টেট সিক্যুরিটি ফাওবা কুকিগী মখূৎতগী মীতৈ কন্নবা হোৎনবা, পুলিস গেটতা পুলিস থোক্লক্তনবা থিংবা ঐখোয়না উখ্রে। অসুম্না ষ্টেট ফোর্সকা কুকিদা মতেং পাংলিবা সেন্ট্রেল ফোর্সকা কয়ারক লান অসিগী মতাংদা উংখৎনবা কয়া থোকখ্রে। লান অসিদা চিংখোঙ চীংয়াদা তাবা মীতৈ কয়া হাৎপা-তুপ্পা তৌবা অসি কুকিসু মীতৈ মরাল লৈতে হায়বা খঙই। অদুবু ঐখোয়না উরিবা অসিদি মপাম্থোংগী কুরাংবানগী শক্লোন খক্তনি। মনুং অসিদা করিগুম্বা অমা লৈরি। নুংদা লৈরিবা অসি কুকিগা মীতৈগা লান তৌনবা নত্তে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তৌনবা লান্নি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা মখোয়গী মরাল য়াজবা ঙমদ্রবদি লান অসি ইন্দিয়াগী মথক্তা হৌবা লান ওই। মরমদি মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইবনা মণিপুর লান অসিনা কায়বদা ইন্দিয়া কায়রবনি। ঙসি ইন্দিয়াগী মনুং চল্লবা মণিপুর অসি নরেন্দ্র মোদি মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুং চন্দে হায়বা কৈদৌঙৈদা ঙম্লোই। ৱারম অপুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর অপঙবা নত্তে। পার্টিগী খূদোংচাবা লৌনবা পঙশিন্নবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর তশেংনা পার্টিদা ঙাওবনি। মহাক য়াম্না ফবা মীয়ামগী খনবা অচৌবা লুচিংবা অমনি। অদুবু লৈবাক্কী অরুবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াবুদি পার্টিগী পাঙ্গল কন্দবা য়াদে হায়বা অসিনা মাংদা থম্বা মীওইনি। বি জে পিগীদমক্তদি মোদি অসি লাইনি। অদুনা মণিপুর লান খামদ্রিবা কুকি এম এল এ ১০দা চৈরাক পীবা ঙমদবগী মরম ময়েক য়াম্না শেংই। করিগুম্বা মহাক্লা পার্টিগী খল্লমদ্রবা লান অসি ঙন্না লোইরমগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা কয়াসু তৌফম খঙলমগনি। ঙসি লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক অসিদি মোদিনা হায়বা খূদিং ইনবনা মতিং ফুদোকপা ঙমদবনি। অদুনা ষ্টেট লৈঙাক অসিবু ঐখোয়না অয়ম্বা অমা ওইনা উবনি। করিগুম্বা লমসিংগী লুচিংবা কয়া অসিনা সেন্টরদা মখোঙ থিনবা ঙল্লবদি লান অসি তৌরল্লোই, তৌরবসু খূদক্তা লেপকনি। হৌজিক কুকিগী লুচিংবা কয়া সেন্টরগী লুচিংবশিংগা তৎতনা ৱারী শানরি। ঐখোয়না হৌজিক ৱারিবা অসিদি তুংগীনি। তুংগী খনবদা লম্বী পুম্নমক মন্মী। মরমদি মোরে, চূড়াচান্দপুর, কাংপোকপীদগী লান চেন্দুনা লৈরিবা কয়া অসি অমুক মখোয়-মখোয়গী মফমদা হঞ্জিনবা অসি লাইনা শিল্লবসু ওইথোকপা য়ারোই। অসুম্না থাজনবী অমা চাওনা মাঙখ্রবনি। মসি সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লুচিংবা কয়ানা খনবীবা চঙই। মীচম ঐখোয়গীদি খল্লুবদা মায়কৈ পুম্নমক অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তনা বুধি মন্মী। মণিপুরগী তম্পাক্কী মীয়ামবুদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা হেন্না লুম্না লৌই। কুকিবু হেন্না লুম্না লৌবা হায়বসি পার্টিবু লুম্না লৌবগী ময়েক লারবা খূদম অমনি।

অদোমগী - এম থম্বৌ,
ককচীং খুনৌ হিজম, # ৮১১৯৯৯০৪০

খাঙতপকী ৱাখল খাঙতপকী ৱাঙাং 'পেম্মা নতে লৈরি'

(৪৭৯)

মণিপুরদা হৌরক্লিবা লান, মণিপুর মীয়াম্না থেংনরিবা অমদি মায়োক্লরিবা অৱাবা কয়া-কয়া হৌজিক থা ১১ চঙশিল্লক্তুনা চহী য়ৌগদবা কুইরক্লে। করম্বা মতমদা তংদু লৈতোবা হঞ্জিল্লক্কদৌরিবা হায়বসি সেন্টর লৈঙাক নৎতনা মণিপুর লৈঙাক্লা লান লেপহনবা শুকওম ঙল্লরোই হায়বসি অপঙ-অশিং পুম্নমক্লা লোইনা খঙনরল্লগনি। ঐখোয়গী ওনরেবলদি হৌজিক অমুক লুপ অমুক ফাওগৎ তৌদুনা মণিপুরগী মীয়ামসি ঙাকপীরি। মণিপুরদা ঈং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়বসিদি মরোল থোকপোই থোক্তবোই তৌবা লৈঙাকপদা শরুক য়ারিবা খরা নৎতনা মীয়াম্নদি শুংতা হেক তানিংবা ফাওদ্রে। কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীতৈনা খূৎ হন্দবা অদু ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপা কৌবা মাল্লে, অতৈদি খঙদ্রে। শেল খরা পায়রগা থিকা চাওনা-চাওনা তৌরগা করি-করিনো খরা লল্লোল্লগা মীয়ামবু হঙ্গাম, কেবী লৈবদৌনা লৈরগা লৈঙাকপদা য়াওরগা পাৱর শীজিন্নগে হায়না থোক্লকপনা অয়াম্বা ওইবদৌনা তৌরে। অদুনদি সনা লৈবাক্তি হায়নরিবা মণিপুর ইমা অসি য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চনশিল্লকপগুম থেংনরিবা অসিনি। ঐখোয়দা য়েৎলক্কদবনা করিনো, খুরৌ থাংগদবনা করিনো, তুংগী মীরোলগী শেংনা থম্বীরমগদবনা করি ওইনি শুকখন খন্দনা মশাগী ওইবা লন-থুম অমদি পাৱর পায়নবগীদমক্তা ভোট লেপ্লিবা কাঙবু, লৈবাক ঙাকপবু ফাগী ফরাং তাহনবা, পোলিটিক্সতা মী লল্লোনবা কাঙবুশিংদগী মীয়াম মীকপ থোকপীরো। নৌহৌননা অমুক হায়রবদা কুইনদগী কুকিশিংনা অরোনবা প্লান কয়া মথং অমগী মথংদা অমা মতুং তাবদনা অসি তৌগদবা, মখা তারকপদনা অসি পাঙথোক্কদবা হায়দুনা মখোয়গী অখণ্ড-অহৈশিংনা পোরম য়াৎপা লোইরবা মতুংদা মণিপুর এসেমব্লিদা শরুক য়ারিবা কুকি মিনিষ্টর ২, এম এল এ ৮ পূন্না কুকি নার্কো টেররিষ্ট ওইনা অফবা চুঙ্গাই ওইনা শীজিন্নরকপনি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংগী সূনা মরম ওইরগা মীতৈশিংবু কুকিশিংনা য়াম্না উশীৎতনা অতম্না শীংনরকপনি। মীতৈগী মীচং লৈতে হায়বসি কুকিশিংনা খঙবগুম তৌই। থাজিল্লকখিবা সেন্ট্রেল ফোর্স লিশিং ৭০দুদি চুম্নগী কুকি ঙাকউ হায়বা ওর্দরগী মখাদা লোইনা লাকপগুম তৌখি। কুকি টেররিষ্টশিংদা করিগুম্বা মখলগী অথিংবা অমদি অকি-অখং থোকহনখিদে। মসি পুম্নমক অসি ঐখোয়না সোসল মীদিয়াদা অয়াম্বা উখ্রবনি। মরম ময়ামশিং অসিদগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মনিং তম্না অফবা মখলগী খূৎলায় বোম তোপ শীজিন্নদুনা মীতৈশিং হাৎখিবনি। ঙসি-ঙসিমক ফাওবদা কুকিশিংনা হৌদুনতা লাকখিবা লান, মখল কয়াগী লাল্লোং মীতৈশিংনা ঙাকথোকপগী ৱা খক্তনি। লান হায়বসিনা মীশি-মীনা নৎতনা করি অফবা মহয় ফংবগে হায়বদু মনুং হঞ্জিন্না ফৎত্রবা কুকিশিংনা খঙবা ঙমদে। মনুং-মতম চাদনা চৎখ্রবশিংদু কুকি নখোয়দি মপান্দগী অনেকপা ওইবনিনা নুংশিদবা ফাওরম্বা য়াই। অদুবু মীতৈ ঐখোয়গীদি শিখিবা, মাঙখ্রবা, শোয়নাইহৌরবা ইচা-ইনাওশিংগী মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বা, নুপী-অঙাং নৌনা লুখ্রা শীংদা চলহৌরবী, মপী-মপা কায়নরবা কয়া-কয়ানা ঈগী লমন ঈনা শিংগনি হায়না মখয়াৎ চিক্তুনা খাঙনরিবনি। মরকসিদা মণিপুর লৈঙাক লৈবাক ঙাকপগী ৱাশক লৌদুনা লৈঙাক অসিবু ঙাকপা য়াওরক্লিবা কুকি মিনিষ্টর ২ অমদি এম এল এ ৮ পূন্না ১০না অপূনবা খূৎয়েক পীদুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্দুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবশিংবু অকনবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম কয়া-কয়া মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা ফমদুনা খোল্লাউ কয়া লাউখ্রবনি। অদুবু মীচং মীখায় নাইদ্রবা ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি ফাওবদা করিগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা কুকিশিংবু কনখৎতুনা থম্বীরি। ঐখোয় তম্পাক্কী কনাগুম্বা মীওই খরনা ৱাহৈ কারন চনবা অমদি দোং-দোং অশেংবগা হায়রুরদি অদুম জেল য়ৌবা শোয়ররোইদৌবনি। অমরোমদা, খাঙতপকী ৱাখল খাঙতপকী ৱাঙাং থাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা ইরৈচাশিং পূনশিন্নৌ। মীতৈ ঐখোয়গী পান্দমদি ইরমদম অসি করিগুম্বা ফীভম মচেৎ অমত্তা কায়দনা ইমা লৈবাক মণিপুরসে চিংখৎসি। ঐগী লমনি মাগী লমনি হায়দুনা খুরৌ থাংহল্লিবা অসি মশক মুন্না খন্দোক্লগা করি করম তৌসিগে হায়দুনা শম্বল থোক-থোক খাজিন্নহৌ। তুংগী মীরোলগী নাখৈ শেংহৌসি, হৌজিক্কী ওইনা লান্দারক্লিবা অসিসু ৱাখল তৌনা লান ঙাকউ। সোসল মীদিয়াদা পংউৎ উখোক্নু। ইরৈবাক্কীদমক্তনি হায়দুনা চোংথোকপীরক্লিশিংনা পুবা-থাংবা ঙল্লোইদবা শেনখায়-থুমখায়শিং ঈ মশেলদা কোক শাহনবীগনু। ঐখোয়না হৌজিক হিংলিবা মহিংসে পেম্মা নতে লৈরি হায়বদুগী মহিংনি। মতুং তাবা করি ওইগনি খঙবা ঙমদ্রি। মতুংগী ৱাহৈ নঙসু ঐসু... তাহল্লোইসি।

অদোমগী - খুম্বোংময়ুম বিমোলা, তেরা, # ৯৭৭৪৪৭১৫৭১

OFFICE OF THE
MANIPUR MUNICIPALITY PROPERTY TAX BOARD
OLD ASSEMBLY COMPLEX, IMPHAL
[illegible] / NOTIFICATION
Imphal, the 20th March, 2024

No. 8/3/2020-MMPTB: In pursuance of Government of Manipur letter No. BRD-101/2/2021-MAHUD-MAHUD dated 17/03/2022 and No. BRD-101/2/2021-MAHUD-MAHUD-Part(I) dated 18/03/2024 and in exercise of the powers conferred under the provisions of Sub-Rule (1) of Rule No. 16 of Manipur Municipalities (Property Tax) Rules, 2019 and in supersession of all previous orders issued in this regard; the Manipur Municipality Property Tax Board hereby notifies the rates at which the municipality shall calculate the property tax payable by the property owners for their properties situated within the jurisdiction of Imphal Municipal Corporation for the Assessment Year, 2024-25 as detailed in the Annexure.

The detailed information contained in the Annexure is accessible at the official website of Manipur Municipality Property Tax Board i.e. ***www.propertytax.mn.gov.in.***

Sd/- **M. Nando Singh**
Secretary,
Manipur Municipality Property Tax Board

HL-P/10172/22

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, MANIPUR
Ref. :- Mutation Case No. 7/AS&SO-VII, Date : 21/03/2024

Ningombam Sushama Devi, W/o (Lt) Takhellambam Sanajaoba Singh of Wangkhei Ashangbam Leikai - Petitioner
-Vs-
(Lt) Takhellambam Sanajaoba Singh, S/o (Lt) Jateshwor Singh of Wangkhei Ashangbam Leikai. - OP.P

[illegible] / NOTICE
21/03/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ৱাংখৈ তহশিল খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী অরিবা পাট্টা নং ৪০১ অনৌবা ১৮০/(D) দাগ নং ১১২/(D) গী লম একর .০২৭৫ চাওবা ইম্ফোল লম অসিগী কো: পাট্টাদার নং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-VII,
Manipur

HL-P/10167/22

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, MANIPUR
Ref. :- Mutation Case No. 8/AS&SO-VII, Date : 21/03/2024

Kamsuan Rebecca, D/o (Lt) Kamsuan Kaichunga of Guigailong Langol Tarung - Petitioner
-Vs-
(Lt) K. John Rongmei, S/o K.K. Rongmei of Guigailong Langol Tarung. - OP.P

[illegible] / NOTICE
21/03/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ৱাংখৈ তহশিল খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী অরিবা পাট্টা নং ২৮ (অরিবা) ৩১৩/১৪৪৮/১৯৯৭ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৬৫/২৪৭৫/২৯৪২গী লম একর .০১৪৬৪ চাওবা ইম্ফোল লম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-VII,
Manipur

HL-P/10167/22